# জুদো শান্নরোয় অমা ওইনা ইন্টর্নেসনল থাক্তগী সনাগী মেদল ৫, লুপাগী মেদল ২, সেঙ্গেংগী মেদল ১ ফংবা ঙমখ্রে



লিকমাবম সুশিলা
*(ইন্টর্নেসনল জুদোকা)*

(ঙরাংগী মখা)

শান্নরোয় ওইজরিবা ঐখোয়গীদি তোইনা কম্পিটিসন তৌদুনা শান্নমীন্নবসি য়াম্না থুনা ইমপ্রুফ তৌবা ঙম্মী। প্রেক্টিসতা পুঙতৌদা তৌবা, কম্পিটিসননচিংবদি শুকশান শান্নদবসি থোইনা কান্নফম খঙদে। ট্রেনিং তৌনা তৌনা মরক্তা ৰেথ মান্নবা ঐখোয় মশেল ফাইট তৌনদুনা শান্নমীন্নবসি য়াম্ন সু নুংঙাই। কোচশিংনা তাকপী তম্বীরকখিবা কয়াদু ঐখোয়সু মতাং চানা এপ্লাই তৌদুনা চাংয়েং তৌবা পাম্মী। ঐনা খঙলিবদু ফাইট তৌদুনা শান্নদ্রগদি অশেংবা মশক লেপ্পসু ঙমদে। অদুনা ট্রেনিং কম কম্পিটিসনসি ঐদি য়াম্না ফৈ খল্লি। কম্পিটিসন নত্রবদি ইশাদা হৈজরিবশিংদু লোইনা ফুদোক্তুনা শান্নবা খক ঙমদে।

অদুগা মরক মরক্তা ইন্দিয়াগী মপান্দা ফোরেন কন্ত্রিশিংদা ট্রেনিংগুম্বা চৎলুবসি ৰাখল য়াম্না নুংঙাই। ঐঙোন্দগী হেন্না খঙ-হৈরবা প্লেয়শিংদগী তম্বা য়াবগী খুদোংচাবা ময়াম অমসু ফংই। ফজবা টেক্লিকশিং, তম্বা য়াবদি ঐখোয় তম্বা তাবনি। ক্যাবাগী মথংদা কুমজা ২০১৪দসু ঐহাক উজবেকিস্তানদা থা অমগী ট্রেনিং য়াওবা ফংজরকখি। অদুবু ক্যাবাদা নুংঙাইখিবা অদুগুম্নদি নুংঙাইরকখিদে। উজবেকিস্তানদদি অনী/অহুমলক হঞ্জিন হঞ্জিন চেম্পিয়নশিপ তাবগী চৎলকখ্রে। মখোয়রোমদদি ক্যাবাদা তৌবা ষ্টাইলদুগা য়াম্না খেন্নে। তিন্ন-লোইনবদসু কয়া নুংঙাইতে। উজ বেকিস্তানদা তৌখিবা ট্রেনিং মওংদুসু য়াম্না সিরিয়স ওইখি। অসুমহায়না খরা খরা তানশিঞ্জরকপা নোলেজ শিংদুনা মমৈদা ঐহাক ফাইটিং স্পিরিট ফজনা লৈজরকখি। অদুবু শান্নবা মতমদা তহা তহা তৌবগী কান্নদবা কয়াসু পুন্সিসিদা থেংনজরকখি। ঐনা য়াম্না নুংঙাইখিদবা মতাং অমা পঞ্জবা তারবদি কুমজা ২০১৪গী 'ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমস' অদুনি। হায়রিবা এসিয়ন গেমসতু ঐহাক মেদল অমদি পুরক্লম্বা য়াবনি। তৌবদি, মতমদুদা ঐহাকসি জুনিয়রদগী সিনিয়রদা অহানবা শান্নরকপা চহী ওইখি। খরা চেঞ্জ লৈখিবা অদুদা খরা ফর্ষ্ট ওইনা শান্নরগা ফগদ্রা হায়দুনা তহা তহাবা খুৎশান্না অমদা এপ্লাই তৌখি। অহানবা প্লেদদি ঐহাক্না উজবেকিস্তানগী জুদোকা অমবুদি মায়থীবা পীবা ঙমজখি। সেকেন্দ প্লে দা জপানগা তাখি। মদুদদি ঐহাক খরসু থুক্কৎপা অমা য়াওনা শান্নখি। মদুনা মরম ওইরগা ঐহাক মায়থীহৌখি। খরা তপথনা, চনিং তানা শান্নজরম্লবদি ঐহাক এসিয়ন গেমসকী মেদল পুরক্লম্বা য়াবনি। অদুননি ঐনা তত্তনা হায়জবা, কম্পিটিসনদদি অদুক্কী মতিক চেকশিন্দবা য়াদে। খিত্তং খোঙফম অমত্তং হেক শোয়খিবদা অফবা রিজল্ট শুকফং ফংদে। শান্নরোয় ঐখোয়না খ্বাইদগী লুনা লুম্না লৌজবা মেদলশিংগী মনুংদা এসিয়ন গেমসকী মেদল অসিসু অমনি। গোল্ডন চান্স অমা মাঙজ খিবদু ঙসিফাওবা থৰায় নুংঙাইতে।





রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

অদুগা, ঐগী শান্নরোয় অমা ওইজরকপগী পুন্সিদা ঙসিফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী নুংঙাইবসিদি কুমজা ২০১৪গী গ্লাসগো কম্মনৱেলথ গেমসকী কিলোগ্রাম ৪৮গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী ওইনা রিপ্রজেন্ট তৌরুনবা খল্লে হায়দুনা লাউথোরকপা মীৎকুপ্তুনি। মদুমদি ঐঙোন্দা তশেংনা নুংঙাইবা ফাওখি। মদুগী কম্মনৱেলথ গেমসতুদগী ঐহাক সিলভর মেদলসু ফংজরকখি। অদুবু মেদল ফংখিবা মীৎকুপ্তুবুদি সিলেক্সন ফংলে হায়দুনা ফোঙদোরকখিবদুনা ঐঙোন্দা হেন্না নুংঙাইবা ফাওহনখি।

কুমজা ২০১৪দা কম্মনৱেলথ গেমসতগী সিলভল মেদল ফংজরকখিবা অদুনা থবক ইনখাংগী মতাংদা মফম কয়াদগী ওফর লাকপা হৌরকখি। ঐদি থবক তৌবসিসু মণিপুরদা অদুম তৌজগে হায়না শান্নবা হৌরকপা মতমদগী খঞ্জদুনা লাকখি। থবক্কী য়াম্না তান্নবা কোয়চেন চেনবা অদুগুম্বসু কয়া তৌরক্তে। মতম চানা মথং মথং লাক্কদবা লৈরে হায়দুনা শান্নবদনা হেন্না মরু ওইনসু খঞ্জরকখি। গ্লাসগো কম্মনৱেলথ গেমসতা মেদল পুরকখিবসি ৰেথ লিফটিংগীদনা সঞ্জিতা, সিরাবাই, জুদোগীদনা ঐহাক, পুন্না ঐখোয় অহুমনি। ঐখোয়না ফংজরকখিবা মেদলদুগা খরা চানবা মওংদা পুলিস দিপার্টমেন্টতা ইন্সপেক্টর পীনবা ৰারী শাজখি। মতমদুদা অতৈ অতৈদগীসু ওফর খরদি লাকখি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু অহানবদদি থাজবা ফজনা পীবিরকখি। অদুবু মমৈদদি কোনষ্টেবলদা পীগে হায়রকখি। মখোয় অনীদি গোল্ডসু পুরকপনিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মণিপুরদা জোইন্ট তৌবসু তোকখি। ঐগীদি মণিপুরদা তৌগে খঞ্জরগা লৈজবনিনা কোনষ্টেবলদা পিবদু য়ানিংদ্রবসু কুমজা ২০১৭তা জোইন্ট তৌজখি। ঐগী ৰাখলদদি অতৈ অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌনবগুম অচৌ অচৌবা কম্পিটিসনশিংদগী মেদল মথং মথং পুরক্লগদি প্রোমোসনসু অদুম পীজরক্কনি খনখি। অদুবু ষ্টেটসিদদি মদুগুম্বদুসু চৎনরমখিদে।

... মথং মথং ...

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৮

১) বর্লিনগী চেকপল থুগাইখ্রবা মতুংদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনি পুনশিনখি। মদুদা নোংপোক জর্মনিগী মহুৎ শীন্দুনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোয় অমদি চহী অমদা ষ্টেরিয়দ (Steriod) গ্রাম ৩,৯৫৫ চাখি হায়না খঙলকখি, মহাক কনানো?

২) ঐহাক অনীশুবা মেগা মরাথন্দা নুপাগী চহী ৫০গী গ্রুপ্তা অনীশুবা তাখি। ঐগী ইমিং হায়য়ু।

৩) ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী স্লালোম (SLALOM)গী থৌরমদা এথলেট অমদি পোজিসন অহুমগী মনুং চনবা ঙমখিদবদগী নিংবা কায়খি। মরম অদুনা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর অমরোমতা ঙাইরবা মফমদগী ফমথরগা লমথুংফম লোমদা মনিং ওনশিল্লগা লমথুংফম অদু লান্থোকখি। মহাক কনানো?

৪) মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, স্কুল, কোলেজতা ষ্টেটকী ওইবা শান্নবগী লুপনচিংবা অসিগী মনুংদা হৌখিবা চহী নিফু (৪০) অসিদা চহীগী ওইনা ক্রোস কন্ত্রি লমজেল (Cross Country Race) পাঙথোক্তুনা মনা মথুম অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকপা অমগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক এসোসিএসনগী মিং লৌবা য়ানিংদে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর হায় কোর্টতা অমদি সিভিল কোর্টতা কেস লৈরিবা বোদি অমনা নেসনল চেম্পিয়ন্সিপ অমা পঙথোক্কনি হায়বসি য়াম্না ঙকপা ফাওই।

মাষ্টর এথেলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া কৌবা বোদি অসিদি নেসনল লেভেলদা রেজিষ্টর তৌবসু উদে। মণিপুর মাষ্টর এথেলেটিক এসোসিএসনগী মমিং লৌরগা করিগুম্বা মতমদা ঐখোয়গী লেট্টর হেদ শীজিন্নরগা তৌবীরিবশিং অসিদা নত্তনা খঙহৌদনা নেসনল চেম্পিয়ন্সিপ মণিপুরদা তৌগনি হায়দুনা মণিপুর মাষ্টর এথেলেটিক এসোসিএসন্না ফোঙদোরকখিবা অসি তশেংনা অঙকপা পোকই হায়না নেসনল মাষ্টর এথেলেটিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট বি অঙৌসনা শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ৰাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি। মখা তানা অঙৌসনানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা২০১৭-১৮ দা মাষ্টর এথেলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লিদ তৌবা বোদি অসি নেসনল মাষ্টর এথেলেটিক এসোসিএসন হায়দুনা নেসনল চেম্পিয়ন্সিপ অমা দিল্লিদা পাঙথোকখি। হায়রিবা এসোসিএসন অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা এপ্রুভ তৌবীরে।

গভর্ণমেন্টনা এপ্রুভ তৌরবা মতুংদা নেসনল লেভেলদা রেজিষ্টর তৌরবা বোদি অমনি। হায়রিবা বোদি অসিনা মণিপুর মাষ্টর এথেলেটিক এসোসিএসন অসি এফিলিয়ট তৌখি। রেজিষ্টর ওফ মণিপুর সোসাইটিনসু রেজিষ্টর তৌবা বোদিনি। মসিদা খঙহৌদনা মফম মরাং খঙদনা নেসনল চেম্পিয়ন্সিপ মণিপুরদা তৌগনি, মণিপুর মাষ্টর এথেলেটিক এসোসিএসনি হায়দুনা মীদিয়াদা থোরকপা ঐখোয়গী লেট্টর হেদসিবু লান্না শীজিন্নদুনা ওল ইন্দিয়াদা চাইথোরকপা অমদি শেল খায়বা হৌরকপা অসি অঙকপা ফাওই।

মখোয়দি রেজিষ্টর বোদি ওইদবনা রেজিষ্টর তৌনবা কন্না হোৎনৈ। অরানবা ইলেক্সন তৌদুনা বোদি অমা শেম্মনবা হোৎনৈ। করিসু লৈতবা বোদি অমনা কোর্টতা কেস লৈরিবা বোদি অমনা নেসনল চেম্পিয়ন্সিপ অমা পাঙথোক্কনি হায়বসি য়াম্না অঙকপা পোকই।

# মণিপুরগী থৌদাম সোরোজিনি অমসুং সাইখোম বিশ্বজিৎ য়াওবা ইন্দিয়াগী ত্রাইএথলোন মিক্স টিমনা গোল্ড ফংখ্রে



পোখারা, দিসেম্বর ০৪(এজেন্সী): নেপালনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি পোখরাদা পাঙথোকপা ১৩ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা ত্রাইএথলোন মিক্স ইভেন্টতা মণিপুর মচা থৌদাম সোরোজিনি অমসুং সাইখোম বিশ্বজিৎ য়াওবা ইন্দিয়াগী টিমনা গোল্ড ফংখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী থৌদাম সোরোজিনি, সাইখোম বিশ্বজিৎ, প্রগনিয়া মোহন অমসুং এম এস আর্দসনা মিক্স টিম রিলে অদু পুং ১:৩৫:২০দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভরনা নেপালগী টিমনা ফংলগা ব্রোঞ্জ অদুনা স্রি লঙ্কাগী টিমনা লৌখি।

ইন্দিয়ানা ঙসি পুন্না গোল্ড মেদল ১৯ হাপচিন্দুনা ১৩ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস অসিগী মেদল টেলিদা য়ুম্বু নেপালদগী হায়গৎতুনা মকোক্তা লৈবা ঙম্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ক্রিপাল সিংহনা মিটর ৫৭.৮৮দা গোল্ড, লৈবাক অসিমক্কী গগনদিপনা মিটর ৫৩.৭৫তা সিলভর ফংখি। নুপীগী কাংলুপ্তসু ইন্দিয়াগী নবজিৎ কোরনা ৪৮.৮৫ লংলগা গোল্ড ফংখি। সিলভর অদুসু ইন্দিয়াগী সুরবি বিস্বাসনা ৪৭.৩১ লংলগা ফংখি।

নুপাগী লোংজমদা ইন্দিয়াগী লোকেস সাথিয়াননা মিটর ৭.৮৭দা গোল্ড, লোয়ননা লৈবাক অসিমক্কী স্বামিনাথন যাদবনা মিটর ৭.৭৭দা সিলভর লৌখি। নুপীগী মিটর ২০০দা ইন্দিয়াগী অরচনা সুসেননা গোল্ড ফংলগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী চন্দ্রলেখানা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপাগী মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী সুরেস কুমারনা গোল্ড মেদল ফংলগা স্রি লঙ্কা অমসুং নেপালনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা খো-খোগী নুপা অমসুং নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী টিম অনীমক্না মখোয়গী লম্বা ওইখিবা বংলাদেশ অমসুং নেপালবু থোইরগা গোল্ড অনী ফংখি।

শুট্টিংদা নুপীগী মিটর ২৫গী টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ফংখি। লোয়ননা ইন্দিভিজুএল ইভেন্ট অদুদসু ইন্দিয়াগী অনুরাজ অমসুং গৌরি সিওরাননা গোল্ড অমসুং সিলভর ফংখি।

টাইক্বান্দোদা নুপীগী কে জি ৫৩ অমসুং ৭৩দা ইন্দিয়ানা গোল্ড লৌবা ঙমখি। নুপাগী কে জি ৭৪দা ইন্দিয়াগী জর্নেলনা গোল্ড ফংখি।

# থৌদাম সুমনন্না কেপ্তেন ওইবা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম্না ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে

কেনবেরা, দিসেম্বর ০৪(এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি কেনবেরাদা পাঙথোকপা লৈবাক অহুমগী ইনভাইটেস্নেল জুনিয়র হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি মণিপুর মচা থৌদাম সুমনন্না কেপ্তেন ওইবা ইন্দিয়ানা শান্নখিবা অহানবা মেচতা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদা মেচ হৌরকপদগী হৌনা এটেক কয়া চথবা ঙমখি। শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। অদুবু খুদোংচাবা অদু পাঞ্জল ওন্থোকপদি ঙমহৌখিদে।

অহানবা ক্বার্টর অদু লোয়গদবা মিনট ফাজিল্লক্তুবদা ইন্দিয়ানা মখাতানা চথখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ২৭ লালরিনদিকানা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারদা অহানবা ক্বার্টর অদু লোয়শিনখি।



লৈবাক অহুমগী ইনভাইটেস্নেল হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুগী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীরম্বা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা ফনা কন্না হোৎনরবসু ইন্দিয়ানা অহানবা ক্বার্টরদা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। ইন্দিয়াসু অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা মায়কৈ অনীমক্তগী য়াম্না লম্বা মান্নবা মশান্না অমা মায়োক্লখি। পাঞ্জল চনশিনবসু ঙম্নদনা লৈখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেচকী অরোইবা অমদি ৪শুবা ক্বার্টর অদুদা য়াম্না কন্না শান্নদুনা অহেনবা পাঞ্জল থিবা হৌরকখি। অমরোমদা পাঞ্জল অমা শোথরবা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোয়শিংসু ইক্কোলাইজর অদু ফংনবা য়াম্ন কন্না শান্নরকখি।

মেচকী অরোইবা মতম মিনট ৬০ শুরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় প্রল্লিন কোরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু মখোয়না ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখি। হয়েং ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নরগনি।

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সিনা ওরিষা এফ সি থোইদুনা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে

Match on 5 Dec. (Thur.)
MUMBAI CITY Vs KERALA



বেঙ্গালুরু, দিসেম্বর ০৪(এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মমাঙগী সিজনদা টাইটল লৌবা ঙমখিবা বেঙ্গালুরু এফ সিনা ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ওরিষা এফ সিবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ টেবলদা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে।

বেঙ্গালুরু এফ সি ঙসি মেচকী মাংওইননা রাউন্দ ৬ শান্নখিবদা মেচ ২ থোইরগা মেচ ৪ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা ওরিষা এফ সি মমাঙগী রাউন্দ ৬তা মেচ অমা থোইরগা অহুম দ্রো চৎলবা মতুং অনী মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈখি।

বেঙ্গালুরু সিটিগী স্রিসিব ছত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেচ অদুদা অহানবগী পুংখাই অদু টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

৩৭ শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা ই পারটালুনা খাইরকখিবা বোল অমা টিম অদুগী শান্নরোয় জেনাননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ওরিষা এফ সিবু বেঙ্গালুরু এফ সিনা ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অহানবা হাফকী লেমহৌবা মিনট ৮ মখা তাবা পাঞ্জল লৈতনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা কন্না হোৎনরকপদা ওরিষাগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী এটেকশিং অদু ঙাকথোকখি। অমরোমদা ওরিষাসু ইক্কোলাইজর ফংবা ঙমদনা ঙসিগী মেচ অদু বেঙ্গালুরুনা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bengaluru | 7 | 3 | 4 | 0 | 7 | 2 | +5 | 13 |
| 2 | ATK | 6 | 3 | 2 | 1 | 12 | 5 | +7 | 11 |
| 3 | Jamshedpur | 6 | 3 | 2 | 1 | 8 | 6 | +2 | 11 |
| 4 | NorthEast United | 6 | 2 | 4 | 0 | 8 | 6 | +2 | 10 |
| 5 | Goa | 6 | 2 | 3 | 1 | 12 | 8 | +4 | 9 |
| 6 | Odisha | 7 | 1 | 3 | 3 | 8 | 9 | −1 | 6 |
| 7 | Mumbai City | 6 | 1 | 3 | 2 | 9 | 12 | −3 | 6 |
| 8 | Kerala Blasters | 6 | 1 | 2 | 3 | 5 | 7 | −2 | 5 |
| 9 | Chennaiyin | 6 | 1 | 2 | 3 | 4 | 10 | −6 | 5 |
| 10 | Hyderabad | 6 | 1 | 1 | 4 | 5 | 13 | −8 | 4 |

# মেনচেষ্টর সিটিনা বুর্নলেবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোলগী টেবলদা অনীশুবদা লৈখ্রে



লন্দন, দিসেম্বর ০৪(এজেন্সী): মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবা অমা ওইরিবা মেচেষ্টর সিটিনা বুর্নলে ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৪-১দা থোইদুনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ১৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা হান্না পোইন্ট ২৯ ফংদুনবা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা মেচেষ্টর সিটিনা বুর্নলেনা য়ুম্বা ওইখিবা মেচ অদুদা য়াম্না ঙন্না মিনট ২৪শুরকপদা সিটিগী মায়কৈদগী শান্নরোয় দেবিদ সিলভানা পীরকখিবা পাস অমা টিমমেট গেব্রিয়ল জিজসনা য়াম্না ফজনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

লীগ টেবলদা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখিবা বুর্নলেগী টিম ঙসিগী মেচ অদুদা মেনচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী শান্নখিবা মশান্না অদুদা লানশিনবা ঙমখিদে। অমরোমদা সিটিগী শান্নরোয়শিংসু মখোয়না মাংজিল থাখিবা পাঞ্জল অদুগী মখাতাবা স্কোর তৌবা ঙমদনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৫০শুবা মিনটতা মেনচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা গেব্রিয়ল জিজসনা বর্নার্দো সিলভানা পীরকপা পাস অমা অমুক্কা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা মেনচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী রোদ্রিনা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মায়পাকপগী লম্বেলদা য়াম্না য়াঙনা চঙশিনখি। মেচ অদুগী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোয়গদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা সিটিগী মায়কৈদগী বর্নার্দো সিলভানা অমুক্কা হন্না পীখিবা য়াম্না মওংতাবা পাস অমদা টিমমেট রিয়াদ মহরেজনা ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবদগী ৪-০দা লৈখি।

মায়থীরগদবা বুর্নলে টিমগী মায়কৈদগী শান্নবগী মিনট ৮৯শুরকপদা জেফ হেন্দ্রিকনা পীখিবা পাস অমদা রোবি ব্রাদিনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা মেচ অদু মেনচেষ্টর সিটিগী মখুত্তা ১-৪দা মায়থীবা নংখি।

মেচ ১৫দা সিটি পোইন্ট ৩২ ফংলগা লৈকেষ্টর সিটিগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা মখোয়না হেন্দুনা অনীশুবদা লৈরি।